# পাউমী হাৎখিবগী কেসতা চেন্নবা ত্রিপুরা ষ্টেট রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট ফারে

অগর্টালা, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): ত্রিপুরাদা সুদিপ দত্ত ভৌমিক কৌবা পাউমী অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা অনীশুবা ত্রিপুরা ষ্টেট রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট তপন দেববর্মা পুলিসনা ফখ্রে।

পাউমী হাৎখিবগী মতাংদা ত্রিপুরাগী গভর্নর টাটাগত্ত রোইনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা রিপোর্ট অমা পীশিন্নবা থৌরাং তৌরি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা গভর্নরনা হায়খি, ঙসিমক দিল্লিদা চৎতুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনরগা রিপোর্ট অমা পীশিল্লগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুনা পাউমী হাৎখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনসু থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (ডি জি পি) দা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চখনবা খঙহনখি।

থা ২গী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ত্রিপুরাদা ঙরাং পাউমী অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। অগর্টালাদগী কিলোমিটর ২০ লাপ্পা লৈবা আর কে নগরদা সুদিপ দত্ত ভৌমিক কৌবা পাউমী অমবু অনীশুবা ত্রিপুরা ষ্টেট রাইফলস (টি এস আর)কী জৱান অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।



অগর্টালাদা ফোঙবা বেঙ্গলি লোনগী পাউচে *শ্যান্দান পত্রিকা* গী এদিটর সুবল দেনা হায়খি, পাউচে অসিগী সিনিয়র জর্নেলিষ্ট সুদিপ দত্ত ভৌমিকনা আর কে নগরদা অনীশুবা টি এস আরগী কম্মান্দেন্ট উনবা চৎখিবদা কম্মান্দেন্টকী পার্সনেল সিক্যুরিটি ওফিসারগা য়েৎনবগী থৌদোক অমা থোকখি। মখোয় অনী ঙাইহাক নিংঙাই শংদাইনরবা মতুংদা পি এস ও অদুনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দসু *দিন রাট* কৌবা লোকল টেলিভিজন ন্যুজ চেনেল অমগী পাউমী শান্তনু ভৌমিকপু অগর্টালাদা মীয়াম্না হাৎপগী থৌদোক অমা লৈখ্রবনি।

সী পি আই (এম) অমসুং আই পি এফ টিগী সপ্পোর্টরশিং খৎনবগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা পাউ লৌরিঙৈদা ভৌমিকপু মীয়াম চঙদুনা হাৎখিবনি।

মমাঙদা গৌরি লঙ্কেশ কৌবী সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমসু বেঙ্গলোরদা শকখঙদবশিংনা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বগী থৌদোক অমা লৈখ্রে। তোঙান তোঙানবা মীদিয়া রিপোর্ট অমসুং জর্নেলিষ্ট এসোসিএসনশিংদগী ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক লমদমদা পাউমী ৩২ হাৎপগী থৌদোক লৈখ্রে।

হৌখিবা চহী ৩০গী মনুংদা অসামদা পাউমী ২৪, মণিপুরদা তরুক অমসুং ত্রিপুরাদা পাউমী অনী হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রে।

অমরোমদা, জর্নেলিষ্ট ফোরম অসাম (জে এফ এ)না ত্রিপুরাদা হঞ্জিন হঞ্জিন পাউমী হাৎখিবগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# জাইশ-ঈ-মহম্মদনা বি জে পিগী মকোক থোংবা লূচিংবশিং হাৎনবা থৌরাং তৌরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট গ্রুপ জাইশ-ঈ-মহম্মদ (জে ঈ এম)না য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর খরা য়াওনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী মকোক থোংবা লূচিংবা খরা হাৎনবা থৌরাং তৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, জে ঈ এমগী লূচিংবা মাসুদ অঝরনা হীরম অসিগী মতাংদা স্পেসল স্কৱাদ অমা শেমদুনা হাৎকদবা পোলিটিসনশিংগী লিষ্ট অমা শেল্লে। ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মাঙজৌননা পাউফংবদগী ইনভেষ্টিগেসন চখবা হৌরে হায়রি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৮ গী মুম্বাই টেরর এটেক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা হাফিজ সায়ীদনা লূচিংবা লাস্কর-ঈ-টোইবগী মতেং লৌরগা জে ঈ এমনা বি জে পিগী মকোক থোংবা লূচিংবা কয়া হাৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

টেররিষ্ট গ্রুপ অনীনা বাংলাদেশতা লৈবা কাদর অমা শীজিন্নরগা হায়রিবা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি। হায়রিবা টেররিষ্ট অদু অতোপ্পা টেররিষ্ট খরগা লোয়ননা বাংলাদেশতগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়াদা চঙখ্রে।



কনফার্ম ওইদ্রিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না টেররিষ্ট গ্রুপ অনীগী মীওইশিংনা চীফ মিনিষ্টর অমসু হাৎনবা থৌরাং তৌরে হায়রি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা ডিষ্ট্রিক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মাসুদ অঝরগী মমাকনুপা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা টলহা রসিদ কৌবা মাসুদ অঝরগী মমাকনুপা অদু কাশ্মিরদা জে ঈ এমগী লোকল কম্মান্দর ওইনা লৈবনি। মহাক্কা লোয়ননা অতোপ্পা টেররিষ্ট অনীসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

অমরোমদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা পূন্না থবক তৌমিন্নগদৌরি। হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মকোক থোংবা লূচিংবশিংগা উনখিবা মতমদা টেররিজমগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী সেক্রেটরি রুচি ঘনশ্যামনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা হফিজ সায়ীদ, জাকিউর রহমন লকভি, দাৱুদ ইব্রাহিম, লাস্কর-ঈ-টোইবা, জাইশ-ঈ-মহম্মদ, হেজবুল মুজাহিদ্দিন, হক্কানি নেটৱার্ক, অল কাইদা, আই এস আই এস অমসুং অতৈ টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা য়ানবা পুরক্লে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লূচিংবশিংগা লোয়ননা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবনি মদুদি, সিক্যুরিটিগী ওইবা মতেং পাংনদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলগনি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা ইন্দিয়া-ঈ য়ু সম্মিট মতুং তারকপদা নাকল অনীগী মরী ফগৎলকপগা লোয়ননা বাইলেটরেল, রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল ইস্যু কয়াদা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাফম য়ানবা পুরকখিবনি।

# গুজরাটকী মীখল : হার্দিক পটেলনা রাহুল গান্ধিগী মায়কৈদা লেপখ্রে

অহমেদবাদ, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): কোংগ্রেস পার্টিনা পট্টিদার ফুরুপকী অপাম্বা থুংহল্লগনি হায়বগী অয়াবা পীরক্লে হায়না ফুরুপ অসিগী লূচিংবা হার্দিক পটেলনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা পটেলনা হায়খি, করিগুম্বা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাকপা থোক্লবদি পট্টিদার অনামত অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস) না তাল্লিবা ডিমান্দ শোয়দনা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লি।

ফুরুপ খরনা মরম চাদবা মওংদা রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈরে হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা হন্দক্কী মীখলদা মায় পাল্লবদি পট্টিদার ফুরুপকী মীওইশিং রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংলগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা পি এ এ এসনা কোংগ্রেস পার্টিবু শৌগৎনবা ফিরেপ লৌরে।

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না গুজরাটকী এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা মরিশুবা মীরেপশিংগী লিষ্ট লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

লিষ্ট অদুগী মতুং ইন্না পিয়ুস ভাই দেসাইবু নবসারিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরগনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি জে পিনা মীরেপ ২৮ গী মিং লাউথোকখ্রবনি।

থাংজ নুমিৎতা বি জে পিনা মীরেপ ৩৬ কী মিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতনা মীরেপ ৭০গী মিং লাউথোকখি। দিসেম্বর ৯ অমসুং ১৪ দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্ক-দৌরিবা মেম্বর ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা পার্টি অসিনা পূন্না মীরেপ ১৩৫গী মিং লাউথোকখ্রে।



গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা এ বি পি-সী এস দি এসনা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুংইন্না হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা সীট ১১৩ দগীনা ১২১ ফাওবা ফংদুনা মায় পাল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। কোংগ্রেসনা শুপ্পগী সীট ৫৮ দগী ৬৪ ফাওবা ফংগনি হায়রি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৪৭ ফংগনি। কোংগ্রেসকী ওইনদি অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৪১ ফংগনি হায়না সর্ভেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা কোংগ্রেসতগী চাদা ৩০ হেন্দুনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা অহানবা সর্ভেগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবনি।

গুজরাটকী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকপদা থোইদোক্লা খূদোংচাদবা মায়োক্লরোই হায়না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)বু ইন্দিয়াগী তৎন-থানদবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা লৌগদবনি। য়ু পিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পূন্নমক অচুম্বা ওইনা থোক্লরে। গুজরাটকী মতাংদসু বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়রিবা ৱাফম অসি অচুম্বা ওইনা থোক্লরগনি হায়না গ্রান্দ এল্লাইন্সতগী থোরক্লগা হন্দক্তা বি জে পিগা খূৎশন্নখ্রবা জে দি (য়ু)গী লুচিংবা নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকখি।

গুজরাটতা বি জে পিনা মায় পাল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না উত্তর প্রদেশকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা কেসব প্রসাদ মৌরিয়ানসু ফোঙদোকখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা রাজকোট এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপচে পীশিনখি।

# বিহারগী মীওই কয়ানা মোদিগী মঙক কক্কবা থৌরাং তৌরি : রাব্রি দেবী



পটনা, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): বিহারদা লৈরিবা মীওই কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মঙক লেন্থৎপগা লোয়ননা মখূৎ ককথৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাব্রি দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা মরাল শীরকপা মীপূম খূদিংমক্কী খূৎশা কক্কনি হায়না মীওই খরনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। অদুবু বিহারদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মঙক অমসুং মখূৎ ককথৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি। মদুগীদমক বিহারগী মীপূম খূদিংমক জেল চঙনবা শেম-শারে।

বি জে পি বিহার য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম পি নিত্যানন্দ রাইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা মরাল শীবগী খূৎ থিল্লকপা মীওই খূদিংমক্কী মখূৎ কক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা রাব্রিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টরেটনা বেনামি প্রোপর্টিগী কেসকা মরী লৈননা কয়ারক হন্না কৌবদা চৎখিদ্রবা রাব্রি দেবীনা হায়খি, সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা কৌরকপা মতমদা চৎপগী ৱাফম লৈতে। করিগুম্বা ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টরেট, সী বি আই নৎত্রগা ইনকম টেক্স ডিপার্টমেন্টনা ৱাহং পাউহং চখবা পাল্লবদি মফম অসিদা লাক্কদবনি। মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা লুপা ক্রোর ১০০০ গী লম লৈশিন্দুনা হোটেল শানবা থৌরাং তৌখিবগী মতাংদা ঈ ডিনা রাব্রি দেবী অমদি মচানুপা টেজাস্বি য়াদবপু কয়ারক হন্না কৌবা লৈখ্রবনি।

# সুখোই ফাইটর জেটতগী ব্রহমোস মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী ফ্রন্টলাইন ফাইটর এয়রক্রাফ্ট সুখোই-৩০ এম কে আইদগী সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল ব্রহমোস মিসাইল চাংয়েং তৌদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রে।

ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ব্রহমোস মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবগীদমক ডিফেন্স রিচর্স এন্দ ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ডি আর ডি ও) অমদি আই এ এফপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা সুপরসোনিক ব্রহমোস ক্রুজ মিসাইলগী অশানবা কিলোমিটর ২৯০ দগী কিলোমিটর ৪৫০ দা হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা চাংয়েং পাঙথোক্লবা য়াই হায়না ডি আর ডি ওগী মকোক এস খৃষ্টোফরনা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক কিলোমিটর ৫,০০০ শান্না কাপ্পা ঙম্বা অগ্নি মিসাইলগী অশানবা হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে হায়না দি আর দি ওগী চীফন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী জুনদা ইন্দিয়ানা মিসাইল টেক্নোলোজি কন্ট্রোল রেজিম (এম টি সী আর)গী মেম্বর ওইখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

এম টি সী আর হায়বসি কিলোগ্রাম ৫০০ লুম্বা পেলোদ পুরগা কিলোমিটর ৩০০ দগী হেন্না শান্না কাপ্পা ঙম্বা মিসাইল টেক্নোলোজি অমসুং অনমেন এরিএল ভেহিকল টেক্নোলোজিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নহন্দনবগী মতাংদা লৈবাক খরনা পূনশিল্লগা শেমখিবা গ্রূপনি। লদাখ অমদি অরুনাচল প্রদেশতা চাইনাগী লান্মীশিং তোয়না চঙশিল্লকপগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ঙমখৈদা ব্রহমোস মিসাইল খিনবা লৈখ্রবনি।

# র‌্যান স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমার জেলদগী থাদোকখ্রে

গুরুগ্রাম, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর কৌবা মহৈরোয় অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা গুরুগ্রাম পুলিসনা ফাখিবা স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমারবু ঙসি ভোন্দাসি জেলদগী থাদোকখ্রে। মহাক হৌখিবা থা অনীরোম জেলদা থম্লকখিবনি।

সেপ্টেম্বর ৮ দা প্রদ্যুমান ঠাকুরগী অশিবা হকচাং স্কুলগী টোইলেটতা লৈরম্বা থেংনখ্রবা মতুংদা পুলিসনা বস কন্দক্টর অসি ফাখিবনি। সেপ্টেম্বর ১০ দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা গুরুগ্রামগী পুলিস কম্মিস্নর সন্দিপ খেরৱারনা অশোক কুমারবু প্রদ্যুমান হাৎখিবদা মপূং ওইনা চেন্নবা মীওইনি হায়না লাউথোকখি।

অদুম ওইনমক নবেম্বর ৬ তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না মীহাৎ অসিদা অশোক কুমার চেন্নদে অমসুং ক্লাস টু তন্নিবা অতোপ্পা মহৈরোয় অমা চেন্নে হায়না ফোঙদোকখি। অশোক কুমারবু গুরুগ্রামগী কোর্ট অমনা ঙরাং বেল পীবা লৈখ্রবনি।

এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ রজনি যাদবনা ৱায়েল পাথোক্লন্দুনা হায়খি মদুদি, র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা বস কন্দক্টর ওইনা থবক তৌবা অশোক কুমারগী মথক্তা সী বি আইনা মতিক চাবা খূদম চাংদম পুথোকপা ঙমদবা মরম্না বেল পীবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। মহাকপু লুপা ৫০,০০০গী স্যুরিটিদা বেল পীরে।



অরোইবদা অচুম্বনা মায় পাকই হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়না কোর্টতা লাকখিবা অশোক কুমারগী অপোকপা অমি চান্দনা ফোঙদোকখিবনি।

অশোক কুমারগী উকিল মোহিট বর্মানা মমাঙদা হায়খিবনি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা সী বি আইনা অশোক কুমারগী মায়োক্তা মতিক চাবা খূদম অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। দি এন এ টেষ্ট তৌবা মতমদসু র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী মহৈরোয় প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবদা অশোক কুমার চেন্নে হায়বগী খূদম ফংবা ঙমদ্রি।

# কুপৱারাগী এল ও সীদা খূৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট ১, লান্মী ১ শিরে

শ্রীনগর, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): অৱাং থংবা কাশ্মিরগী কুপৱারা ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কিরন সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা খূৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অমা অমসুং লান্মী অমা শিখ্রে।

শ্রীনগরদা বেজ তৌবা ডিফেন্সকী স্পোক্সপর্সননা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, ঙসি নুংথিল চুনকুন পোষ্ট মনাক্তা ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মিলিটেন্ট খরা ঙমখৈ লানশিল্লকপা থেংনখি। নাকল অনী খূৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অমা অমসুং লান্মী অমা শিখি। অতোপ্পা লান্মী অনীসু থৌদোক অদুদা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

মমাঙদা ওফিসল ছোর্স অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, কিরন সেক্টরগী চুনকুন পোষ্ট মনাক্তা মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা সিখ লাইট ইনফেনট্রিগী লান্মীশিংদা এটেক চখরকপদগী নাকল অনী খূৎ থোক্লখিবনি। থৌদোক অদুদা মন্দিপ সিংহ কৌবা ৯ শুবা সিখ লাইট ইনফেনট্রিগী লান্মী অমা শোকপদগী দ্রগমুল্লাদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

ঙরাংসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হন্দৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খূৎ থোক্লবদা লাস্কর-ঈ-তোইবগী টেররিষ্ট অহুম শিখ্রবনি।

অৱাং থংবা কাশ্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা হন্দৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লালহৌবা খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চখখি।

য়ূম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা লাস্করগী টেররিষ্ট অহুম শিখিবনি।

নবেম্বর ১৩ দসু হন্দৱারাগী পুলিস চেক পোষ্ট অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অনী হাৎপা লৈখ্রবনি। হন্দৱারাগী সুল্টানপোরাদা লৈবা পুলিস চেক পোষ্টতা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটিনসু খূৎ



হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখি। থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অনী শিখিবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতসু অৱাং থংবা কাশ্মিরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লাস্কর-ঈ-টোইবা (এল ঈ টি)গী মরুওইবা টেররিষ্ট ৬ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবনি। থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী গারুর কম্মান্দো অমসু শিখি।

লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিংগী মনুংদা জাকি-উর-রাহমন লখবি কৌবা মুম্বাই টেরর এটেক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওই অমগী মমাকনুপা অমসুং জমাট-উদ-দৱাগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ অব্দুল রাহমন মকিগী মচানুপা য়াওখি। থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টকী চন্দরগীর খুঙ্গং মনুং চন্না লৈবা হাজিন এরিয়াদা থিবা-হুম্বগী থবক চখবদা মাঙজৌননা লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লরকখিবনি। থৌদোক অদুদা ইন্দিয়র এয়র ফোর্সকী গরুর কম্মান্দো অমা থৱায় থাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লান্মী অমা অশোক-অপন নংখি। থৌদোক থোকফমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অন্দর-বেরেল গ্রেনেদ লোঞ্চর, এ কে ৪৭ অমদি হেন্দ গ্রেনেদ য়াওনা খূৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

কুপৱারা দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবা অতোপ্পা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা আর্মি পার্সনেল অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অহুম অশোক-অপন নংবা লৈখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সেস পোল বাইদনা হায়খি মদুদি, কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী জিরহামা এরিয়াদা টেররিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী আর্মি অমসুং পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা থিবা হুম্বগী থবক চখরুবদা নাকল অনী খূৎ থোক্লরকখিবনি।

## এন এস জিগী কম্মান্দোশিং আই এসকী এটেক ঙাকথোক্লবা ট্রেনিং তৌগদৌরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২(এজেন্সী): ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্টশিংনা গাড়ী শীজিন্নরগা মীয়াম তিনবা মফমদা এটেক চখরকপগী থৌওং ঙাকথোক্লবগী মতাংদা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী কম্মান্দোশিং ট্রেনিং তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

মালেমগী মফম কয়াদা হন্দক টেররিষ্টশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা গাড়ী শীজিন্নরগা এটেক কয়া চখরকখ্রবা মতুংদা এন এস জিনা হীরম অসিগী মতাংদা ট্রেনিং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। এন এস জিনা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা কম্মান্দোশিং য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা থাদুনা ট্রেনিং তৌহল্লুগদৌরি।

হন্দক্তা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) না কুম্ভ মেলা অমদি অতৈ লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা মফম কয়াদা এটেক চখরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী এন এস জিবু য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা থাদুনা ট্রেনিং তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা আই এস আই এসনা মলায়ালম লোলদা থাদোরকখিবা ওদিও ক্লিপ অমদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা এটেক চখগনি হায়না কিহল্লকপা লৈখ্রবনি।

নুপাগী খোঞ্জেলদা ঙাঙবা ওদিও ক্লিপ অদুনা ট্রক শীজিন্নরগা মহা কুম্ভ মেলাগুম্বা মীয়াম তিনবা মফমদা এটেক চখগনি হায়না কিহল্লকখি। ইস্লামিক ষ্টেটকী মুজাহিদ্দিনশিংনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা এটেক কয়া চখবা লৈখ্রে।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা লাস ভেগাসতা হন্দক ম্যুজিক কন্সর্ট পাঙথোকফম অমদা এটেক চখদুনা মীওই কয়া হাৎখি।

কেরলা পুলিসকী ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, ওদিও ক্লিপতা ৱা ঙাঙখিবা খোঞ্জেল অদু রসিদ অব্দুলা কৌবা আই এসকী মরুওইবা লূচিংবা অমগীনি।